# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-04-2025)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ ২০ য়াওনা য়ান্নবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) চুরাচান্দপুরদা থা অসিগী ১৭ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- খুন্নাইদা মীনুংশি থৌজাল লৈবা হেনগৎহন্নবগীদমক হৌরক্লিবা অনৌবা মীরোলদা নিংথিনা তাকপী তম্বীগদবনি।

------

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ ২০ য়াওনা য়ান্নবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- ককচিং জিলাগী অরোং নোংমাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা তোকপা চীংদগী এস.এম.জি করবাইন অনি, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল অমদি দবল বেরেল নোংমৈ অহুম, শেমদোক্লবা স্নাইপর রাইফল অমা অমসুং নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্টতগীনা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, করবাইন অমা য়াওনা য়াম্লবা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং লাংজিং তমাং অমসুং মনা ইংখোল এরিয়াদগী এস.এল.আর অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, শেমদোক্লবা ফ্লেয়র গন অমা, সিঙ্গল বেরেল অনি, পিষ্টোল অনি, শেমদোক্লবা রাইফল অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অনি ফাগৎখি।

**সিসিপুর (এল) ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা থল্লিবা করফিউ ঙরাংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৭ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি হায়রি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা হুকুম অমদা হায়- চুরাচন্দপুর সব-দিভিজনগী মনুং চনবা রেংকাই ভিলেজ অমসুং ভি. মোনহোই অমদি শামুলমলান অমসুং শঙাইকোট সবদিভিজনগী মনুং চনবা কংভাইগী মফমশিংদদি করফিউগী অথিংবা মখা তানা অদুমক চৎনখিগনি হায়রি।

**মেলা (এল) ঃ** নুমিৎ নিনি চুপা চগ্থগদবা শজিবু টেক্সতাইল এক্সপো ঙরাংদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা অরাম্বম লম্পাক কম্ম্যুনিতি হোলদা হৌখ্রে।

মেলা অসিবু শিল্লিবা শুরজদেব হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস কোওপরেতিভ সোসাইতিগী প্রোপাইটর ঙাশেপ্পম অনিতানা হায়- শজিবু থানা লাকপদা, চৈরাউবগী থৌরমশিংগা মরী লৈননা ময়ুম পানখ্রবী নিংঙোলশিংনা মপামগী মবুং মৌপৱাশিংদা ঙমজবা খুদোল তম্বদা নাথকী ওইবা ইয়োংগী ফিশিং খুদোল তম্স ঙমবগী পান্দমদা মেলা অসি পাঙথোকপনি।

**এৱারনেস (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ইম্ফাল ইষ্টকা পুন্না খুৎশমদুনা চাইল্ড মেরিএজ এন্দ পোকসো এক্ট ২০১২ গী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসার ডাঃ কোঞ্জেংবম অনিতা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস মণিপুরগী লিগেল কন্সলটেন্ট থিয়াম রাজকিশ্বরনা এক্ট অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**ই-শ্রম (এল) ঃ** কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংবদা থা অসিগী ৭ তগী ১৭ ফাওবা চথরিবা ই-শ্রম পোর্তেলদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাগীসু ঙরাংদগী হৌখ্রে। মসিগীদমক জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী মীৎয়েং মখাদা কম্মন সার্ভিস সেন্তর ২২৩ হাংদোক্লে। মরী লৈনবা ৱার্করশিংনা অখন্নবা থৌরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা শোইদনা রেজিষ্ট্রেসন তৌননবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা আপীল তৌরি।

**ৱার্কসোপ (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী কৈকাউ খুলদা ইকো তুরিজমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। খুল অসিগী মনুং চন্না লৈবা অরাই বেট কেভ অমদি মসিগা থংননা লৈরিবা নেচরেল স্বিমিং পুল অনি অসিনা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎনবগী পান্দমদা থৌরম অদু পাঙথোকপনি। মদুদা তমেংলোংগী দি.এফ.ও, কৈকাউ খুলগী চেয়ারমেন, তমেংলোং অমদি তৌশেমগী আর.এফ.ওশিং শরুক য়াখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** কোনশা খুলগী খুঞ্জাশিংদা খুৎ থারকপগী থৌওংবু রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীনবা লুপ অসিনা তকশিল্লক্লি।

**চান্দেল (এল)ঃ** ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (অন্সম)গী ২০২৪ দগী ২০২৬ ফাওবা থৌ পুগদবা মীওইশিংগী অহানবা মীফম ঙরাং চান্দেলদা লৈবা হৈবুংলোক ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

**হুই (এল)ঃ** রেবিস লায়নাগী চেকশিন থৌরাং ওইনা থৌবাল অথোকপম মখা লৈকাইদা হুইশিং হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। জোইন্ট দিরেক্তর দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস থৌবালনা মফম অদুগী ক্লবকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু হুই ৮৫ রোম হিদাক কাপথোকখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- খুন্নাইদা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং মীনুংশি থৌজাল লৈবা হেনগৎহন্নবগীদমক হৌরক্লিবা অনৌবা মীরোলদা নিংথিনা তাকপী তন্বীবগী তঙাইফদবা লৈ।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা নবকার মহামন্ত্রগী থৌরমদা ৰা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মসিগীদমক ঐখোয়গী পুন্সিদা ফজরবা ৰাখল্লোন ৯ ইনদুনা চৎপা ঙমবা হোৎনগদবনি।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা স্লোভাক রিপাব্লিক্কী রাষ্ট্রপতি পিতর পেলেগ্রিনিগা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা ৰারী শান্নখ্রে।

স্লোভাক রিপাব্লিক্কী ব্রটিসলাভাদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা ভারতকী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি নিমুবেন বমভালিয়া অমদি সংসদকী সদস্য ধবল পাতেল

অমদি সন্ধ্যা রে য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। রাষ্ট্রপতি পিতর পেলেগ্রিনিনা লৈবাক অনিগী মরী চেৎশিনহন্নবা থল্লকখিবা থাজবশিংবু ভারতকী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থাগৎপা ফোংদোকখি। ভারতকী এম.এস.এম.ই অমদি স্লোভাক রিপাব্লিক্কী নেসনেল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিতেদ অনিগী মরক্তা মতেং পীনবা অমদি সুস্মা স্বারাজ ইন্সটিট্যুট ওফ ফোরেন সার্ভিস অমদি স্লোভাক মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এন্দ য়ুরোপিয়ান এফ্যারস অনিগী মরক্তা মতেং পাংননবা এম.ও.য়ু অনি সহি তৌনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

দিফেন্স মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট- শঞ্জয় শেথ মণিপুরদা লাক্তুনা বোর্দর ফেন্সিং খাবগী থবক য়েংশিনখ্রে, কামজোংদা অহিং য়ারেক্তুনা সেক্যুরিতিগী মতাংদা খন্নগদৌরি হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা ফোতোগা কোন্ননা ফোংলি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা চিলদ্রেন হোম অমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- ৱাকফ এক্টকী মায়োক্তা পেটিসন ১৫ থারকখ্রে, এপ্রিল ১৫ দা হিয়ারিং চত্থরগনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী ৱাফম অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পেদ্দি লেন্দ কঞ্জার্ভেসন ময়া য়াওদবা কৈগা মান্নরে, মণিপুরগী ফৌরেল লৌফম লোইনা মাংখিগদৌরে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ কী শরুক ওইরিবা ওরিয়েন্তেল কলেজদগী য়ুরেম্বম ফাওবগী লম্বী পুং ৪৮ গী মনুংদা শেমজিন্নবা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী সিনেমা হৌদোকখিবগী ১৯ লক শুবা মমি নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। মণিপুরবু মালেমদা শক তাকপদা মণিপুরী সিনেমাসু য়াওহল্লু হায়বা অরিবম শ্যামগী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মরৈবাক নীংবা হিরাচন্দ্র বেষ্ট ফিলম তাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ডাঃ বিমোলনা মণিপুরগী ইসু এ.আই.সি.সি মীফমদা পুথোকখ্রে অমদি এম.এল.এশিং ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা মখোয়গী খোঙফম করি লৈ হায়বদু খঙহল্লু হায়বা তোঙানবা মহৈরোই লুপশিংগী ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রোংমৈ নাগা কাউন্সিলনা কোনশা খুলদা লিয়াংমৈ খুঞ্জাশিংদা ফু-চৈবা তৌরকপবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি অমদি থৌবাল দি.সিনা অথিংবা থমখ্রবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবদা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দোন বোস্কো কলেজ মরামগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱার্কনা চথুরকপা থা ১ গী সোসিয়েল ৱার্ক মন্থ লোইশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------